সনালৈবাক

## এডিটোরিয়েল

### টুয়েল্ভ ক্লাসকী রিজল্ট

*কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ২০১৩–১৪গী পরিক্ষাগী রিজল্ট লাউথোকপদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মহৈরোইশিং অয়াম্বা পাস তৌবা ঙল্লকপা অসি হন্দক্কী চহি অসিনা খ্বাইদগী চাং ৱাংই হায়না লৌবা য়াই। মসি ষ্টেট অসিগী লৈরিবা এদুকেসনগী সিষ্টেম অসি ফগৎলকপদগী ওইবা য়াই হায়না লৌবা তাই। নুংঙাইরিবদি ষ্টেট অসিগী লৈরিবা সরকারগী স্কুলশিংগী নত্রবসু প্রাইভেট স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং য়াম্না পার্সেন্টেজ ৱাংনা পাস তৌরকপসিনি। মসিগী মনুংদা সাইন্সতা পাস তৌরিবা মহৈরোইশিংগী মনুংদা নুপীমচা মহৈরোইশিংগী পাস তৌবগী চাং অসি নুপামচাশিংদগী য়াম্না কা হেন্না ৱাংবা থেংনৈ। মসিনা তাকপদি নুপামচা মহৈরোইশিংদা লৈরিবা লাইরিক লাইশু পানিংবগী চাং অসি হন্থরে হায়বসিনি। মসিগী মথক্তা হংনিংলিবদি হায়রিবা মহৈরোইশিং পাস তৌবগী চাং অসি তশেংনা স্কুলশিং অদুনা তম্বীরিবা মওং অদুদগীরা নত্রগা মরন্নাই ওইনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হোৎনবদগীরা হায়বসিনি। হৌজিক্কী মতমদা চংনবি অমগুম ক্লাস টেন নত্রগা টুয়েল্ভ তমগদবা মহৈরোইশিংগী মমা মপা ওইবশিংনা ক্লাস অমা ৱাংলিঙৈদগী হৌনা চাবা তুম্বা খঙদবমখৈ মচা ওইবা মহৈরোইশিংদা পোত্থাফম খঙহন্দনা লৈজবা শেল পুম্বা তিংবগী মথক্তা মশাগী ইনর্জি পুম্বা তিংথোল্লগা মচাশিং অদু শেন্ননবা হোৎনবদা ওইরিবা মওংশিং অসি য়েংবা তারগদি স্কুলগী ওজাশিংনা অঙাংশিং লাইরিক তম্বীবদগীদি অসুক ৱাংনা পাস তৌবা য়ারোই হায়বসিনি। অদুনা স্কুল অফবদা অঙাং লাইরিক তমহল্লগা হেক্তমক থাক ৱাংনা পাস তৌগনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। মহৈরোইশিংগী মমা মপাশিংগী মনুংদা চাং তান্নহল্লগা স্কুলশিংনা মনা লৌবগী ফিভম অমা লৈরব্রা হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নিংদে। তৌবগীদি শেল তিংবা ঙম্বা মমা মপাশিংনা লাইরিক তমহনবা স্কুলশিংদা মচাশিং লাইরিক তম্‌হন্বনা অঙাংশিংদা কম্পিটিটিভ ওইবগী অমদি চাং তান্ননিংবগী শিংনবা অমদি অদুমক্‌ মশা মশাদা ফাওহল্লি হায়বা তাই। মসিমকসু অঙাংশিং অদুগী পীথোল্লকপা মতিক মগুন শিং অদু ফোংদোকহন্নবা থৌরাংশিংগী মনুংদা অমনি হায়বদা লাল্লোই।*

*অদুনা মরম ওইরগা প্রাইভেট ট্যুসন তৌফমশিংদা চিক্রা চাইনবা ঙমদবা মখৈ অয়ুক নুংথিল খাক্তনা মহৈরোইশিংগী মমা মপা ওইবশিংনা তিল্লিবা অসিগী মহয়না ঙসি কাউন্সিল ওফ হায়র এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা পরিক্ষাদা অফবা মহৈরোই কয়া পুথোরকপা ঙম্বনি হায়বসি খন্ননিংঙাই ওইব্রা হায়বসিমসু থন্নীংই। তশেঙনা হায়রবদা মণিপুরগী এদুকেসন সিস্টেম অসিদি গার্জিয়ানশিংদা দিপেন্দ তৌবা মখলগী সিষ্টেম অমনি হায়না লৌবদা লানফম থোক্তে। হৌজিকসু মখা তার্‌কপা হায়রএদুকেসনগী থাক য়ৌরক্‌পা মতমদা অহেনবা গ্রেদতা পাস তৌরকপা মহৈরোইশিং অসিগা মশাগী হোৎনজমলনা ফংলকখিবা গ্রেদতা পাস তৌরক্‌পা মহৈরোইশিংনা চপ চানা শিংনরক্‌পা মতমদা মশনা হোৎনজবশিং অদুনা অসুম অসুম হেল্লকপগী থৌদোক কয়া থেঙনদবা নত্তে। হৌজিক চংলিবা সিষ্টেম অসিদা লৈরিবা চংনবী অসিনা মতিক চাবা মশাগী মগুন চেনবা মহৈরোই অমা শেম্বা হায়বসিদি ওইথোক্কনি খন্দে। মমাংদসু মকোক মথঙ তাখিবা কয়া অমা মখা তাবা এদুকেসনগী থাক্তদি য়াম্না হন্থরক্‌পা থেঙনদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা অমুক লৈকাইগী মমান্নবা অমত্তগা তিন্নখিদ্রবা মহৈরোইশিং অদুনা মখোইগী অথেংবা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা মীয়াম তিন্নবা হৈতবদগী থোক্লকপা থৌওং কয়া অমদগী ঙসি মণিপুর খুন্নাইগী মনুংদা ইতৎ তৎতনা হিংশাগী থৌওং কয়া থোক্লকপা অসি ওইহল্লকপ্রা হায়বসি খন্নবা মতম ওইরে। মীওই অমা শেম্বদা মরন্নাই ওইনা শেম্বগী মথক্তা সমাজ অসিদা মহাক্কী মরুওইবদু খঙহন্নবা তোৎনা তীন্নবগী মথৌ তারি হায়বসিসু এদুকেসন সিষ্টেম অসিগী করিক্যুলমদা য়াওহন্বা ফত্রা হায়বসি পরিক্ষাগী ফল অসিদগী খল্লকই।*

## *এডিটরদা থারকপা চিঠি*

### তৌনীংবতা তৌরিবা লমদম্নি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

তৌনিংবা তৌরিবা মফম হায়বদি খুজিল মমাইমুক চাওবা লমদম অসিনি। ট্রাফিক পুলিস না টি আর ককইদু খংদে করম্বা রুল গী মখাদনো মখোয়না হেক্তা গাড়ি থৌরিবা কয়াদা ওৎলিবসি। মসি অচৌ–অশাংনা তৌ হায়না তৌরিব্রা? নত্রগা মখোয়গী খুরিৎখাওগী শেল তাল্লীব্রা ? অচৌ–অশাংগী গাড়ি উরগা মমাই লৈদুনা চেল্লবা মখোয়না মীচম প্রজাশিংনা থৌরিবা গাড়ি শিংদা মমীৎ লাওনা পাংথোক্তুনা খামদুনা অমদি মরম লৈতনা ৱাহং–পাওহং তৌরিবা করিগীনো? অশেংবা তৌগে হায়বরবদি অচৌ–মচা খায়বগী মওং অসি থাদোক্কদবনি। মতম অমদা নন মণিপুররি বিজিনেস মেন খরগা মান্নরগা গাড়ি মচা থৌবদা হেলমেট উপতবা য়ারোই হায়দুনা অমনবা, মতম হেল্লবা ষ্টোক কয়া হনথহন্দুনা শেনজাও পায়বা নন মণিপুরি শিংগী অহেনবা শেন তানখীবা লৈবাক প্রজা খুদিংমক্লা খংদবা য়াওখিদবা নত্তে। হৌজিকসু নন মণিপুরি বিজিনেসমেন ময়াম্না হেক হায়রকপদা হেক্তা নোঙাল্লগা ওদর থোক্তুনা অহেনবা থাদদুনা ফাবা পুনবা, চেক অরোইবীদা তৌরক্লোই হায়নিংঙাই সুংলৈ লৈতে। লমদম অসিগী অচৌ অশাং অসিদি মীরমদমগী লাকপা নাতোন তুম্বা মীয়ানচাশিংগী খুবাক মনুংদা লৈদুনা পুন্সি লেল্লিবা ঙাক্তনি। মসিগী খোংথাং অসি তীন য়োৎথরগা হন্দোকহৌবনা হেন্না শাফগনি নত্রবদি লমদম অসিগী অপঙবা প্রজাশিং খুৎ–শম্নরগা অকনবা খোল্লাও লাল্লবদি করি ওইরক্কনি, মমাংদা থোকখিবা মণিপুরগী কন্নবা ইহৌ জুন ১৮গী থৌদোক্তা এসেম্বলি ফাওবা মৈ–থাদুদা অকিবগী মৈখু চাকহনখিবা মণিপুরগী পংলবা মীয়ামননি। জুন ১৮ গী থৌদোক অদুদা এসেম্বল্লি খক্তা নত্তনা মণিপুর সরকার লোইশং কয়া তাংঙ্গোই তাহনখিবা অদুগুম্না মতুংদা লমদম অসিদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোক্তনবা অচৌ–অশং খুদিংমক্লা খনথবগী মতম হেনমল্লে। মসি নত্তদুনা চল্লবা প্রজা খুদিংদা ঙম্মী হায়দুনা ওৎপা–নৈবগী থবক মখা তানা চত্থরল্লবদি তুমিন্না লৈবা হৌদোংনা চফু ঙম্মি হায়বগী পাওরৌ চুমলক্কনী। করিসু কান্নদবদা ট্রাফিক পুলিস না পীকখ্রবা ইম্ফালগী লম্বীশিংদা মথৌ তৌরীনী হায়দুনা চেক পোইন্ট হাংদুনা দ্রাইফ তৌরিবা অসি খরা মনীং হনবা ফৈ হায়দুনা চল্লবা প্রজা অমা ওইনা মরি লৈনবা শিংদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী*
*বীজেন সিংহ*
*লমলাই মখা লৈকাই।*

# লাইগী লৈবাক

হায়নবা অমা হায়বসিসু চুম্বজাৎনি। ৱাও–পাদবা থোকউ হায়বদা থোকপা লমদমনেলমদমনে সনা ময়ুম কাবা লুপানা মফেল ওইবা। তশেংনসু নুং ঙাইরম্মী হায়নৈ। হিংবদা চঙবা ঈশিংগী খমথেংনবা ৱানরমই। করি লাইনবু তম্বা কুমনোখঙদে চীংউ থাংজিংনা তমইদরা, লোয়া লাকপনা তমইদরা, কৌনুনা তমইদরা, কৌব্রুনবু তমইদরা? লৈঙাক ফম্বৈ মীফমদা থক্লবা ঈশিংগী ৱারেপ লৌখ্রে তাবরা খঙদে। ইনাইমন্ত্রি এম এল এ কয়ানা তৌশিন্ননা ৱাবদগী অওইবা ওইখিদৌরে হায়দুনা নোংলৈবাক্কি নোং নিংথৌনা নঙহৌররোই মতাগুম নোংহেক্তা চুথরকই মী লৈবাক্তা। নোং অসিসু মীচম্না তশেংনা ৱাবদগীদি অঙম–অথৌনা ৱাশিন্নবনা হেন্না ব্যোহার হেনবা জাৎনি। মরমদি অঙম–অথৌনা ৱাবনা লিংঃ লিশিং ১২ চনবা তেঙ্কর কয়ানা ঈশিং ৱাক্তনা পিরগা লৈবাক্কি ৱাবদা শরুক য়রিবনি। মীচম মীয়াম্না ৱাবনা মনুং চংবগী অসিনা হেন্না ৱারিবনি। খোংহামনিংবা হায়বসি কৈ মমাইদা ফাওবা কৈদা তৌশিল্লি হায়নরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাদবু ঈশিংগী ফিবমশিগা চান্নরিবরা। গোবিন্দজি লাইশংদসু ষনবি অমওসু শঙ্গোম শুমহৌদা করিনো করিনো খল্লম্বসু য়াই। ঈশিংগ অৱাবসি হন্দক্কি চহি অসিনা অহানবসু নত্তে।

মমাংগী চহি খরদসু কংলা পার্ক্কি ঈশিং শোক্তুনা শিজিন্নবা য়াওখ্রবনি। লম্বী শোরোক্কি লময়ৌনা মোৎলবা লোকতিন ক্বাদাং অঙকপা ফংনা হঙ্গোয়রবা ময়াম নোংচুবদা পুল্লপ চেনথদুনা লৈরিবা মহি ময়ামদু ঈশিং ওইনা উদুনা মদুনা থক্তুনা হিংনবা লেন্নখ্রবনি। ঐখোয়সিবু করম্বা মখলগী মীনি হায়দুনা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মাংদা মাই থাংগৎতুনা হিংগদৌরিবনো। ইশা ইশাদা ইদোম তুমিন্না হংজফম থোক্ত্রা। মীখল মতমদদি মরন্নাই শেল তানবা থোকচরকপশিংগী মনুংদা শেল চাওনা খরচ তৌবঙম্বা মীরেপ্তা ভোট পিশিন্দুনা ভোট কাহনখিবা নৎত্রা?

ভোট কারগা হান্না পায়রম্বা পৈশাদগী হেন্না লোন্না নৎত্রগা ফোংনশেল পায়খৎনখ্রিবা অসিনা তাকপা নৎত্রা। মখোয় মশেল মীখল মতমদা অমনা অমবু হুন্নবা অমনা অমবু মরাল শিনরকপা মতমদা অদুম খঙনরবা রাইট টু ইনফোর্মেসন গী মতেং লৌদ্রবসু লম্বী ৱারিদা অমনা অমা হায়রকই। অঙানবদা অমম্বা শান্নদুনা ইম্ফাল ময়োলদা ভারা চাওনা মফম ওইবা ওফিস অমা হোংদোককখিবদা হাংহৌবা মফম অমদি বিলদিং হেক্তা লৌশিলহৌই হায়বগী পাউ হেক্ত তায় লম্বীগী চীদাইদা।

*– মমি লুৱাং –*

মীখলদা শেন্নদি লুপা ক্রোরদা খুজিং ওইদুনা চংনরবনিনা। ভোটর প্রজাসু মীখলদা ভোটকি শেল চাওনা য়েন্দবা মীরেপ্তি ৱাখঙদবা মতমগী হালট খঙদবা অমনি হায়দুনা মুক খাইদুনা হায়রি পোৎনি। অদু ওইবা তারবদি মীয়াম ভোটরনা লৈঙাক লোয়শিংনা ঐখোয়গী করিসু তৌবিদ্রে হায়বসি চুমগদরা। ঐগী ৱাখলদি ৱাফম অসি চুমফম থোক্তে হায়জনিংই। অদুবু মীৎয়েং অমদদি পৈশা লৌরবসু লৌদ্রবসু মীয়ামগী রাইটদি মীরেপ ওইরিবা মখোয়দা শিন্নরি। হায়বদি ভোটতি অদু মথাদরি পিরি। মাগী মীখলদা চংখিবা শেল হঞ্জিন্নবা হোৎনবা খক্তনা তৌদবা য়াদ্রবা অমরা মীয়ামগীদি করিমতা তৌফম থোক্ত্রবরা। ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিং শেল চাদ্রবদি থবক ইতৌমক তৌদবা হায়বসি অচুম্বা খোংথাং ওইফম থোক্তবরা হায়জনিংই। অমনসু অমবু লানবা তানহনবগী মচৎ অসি চত্থরিবমখৈ মীওনবা লোয়রবা খুন্নাই। মান্নবা খুন্নাই ওইফম থোকপনি। মসি ওইরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ঈভোলুসন্দা য়ুমফম ওইবা সোসিয়েল সাইন্স মীয়াম হুপ্পা মীপুমতিংনা খেন্নবা থিদনা খঙমিন্নরবা হৈরবা। মদুগী চন্নফম শিজিন্নফম খঙনা মীখল মতমদা মরম চানা শিজিন্নগদবনি। অদু হেক নৎত্রিমখৈ মীওইবা খুন্নাইদা প্রোব্লেম অমত্তা শোলভ তৌবা ঙমলোইদৌরিবনি। মরম অসিননি চাক থোংগ্যাস বোত্লিং প্লান্টগী মিটর খরদমক শাংবা লম্বী মতেক অমা শিজিন্নবা য়ানা মতম চানা শেম্বীদবনা মরম ওইদুনা লম্বী থিংজিনখিবদগী গ্যাস অথনবা শিলিন্দর লুপা ৪৩১.৫৩ পিবা শিলিন্দরদু লুপা ২০০০.০০ য়ৌরে হায়নখিবা। মসিবু মেম্বর ৬০ লৈবা এসেম্বলিদা মেম্বর ৪২দগী মেম্বর ৬ অমসু বনান মান্নে হায়দুনা ওনশিনখিবদগী কোংগ্রেসকি মেম্বর ৪৭ শুর ফাওবদা মথৌ মশক তৌদবা। মপু পানবা মপি মপা লৈতবা অমা ওইবদগী কাংখোং চায়বা লমদম অমা ওইরিবনি হায়জনিংই। মকোক মরু পানবা মপু পানবগী লৈবাক ওইরবদবু ঙাইহাক লৈতনা থৌরি তিংশিন্দুনা পেট্রোলনিল দিজলনিল হায়না চেদা ইরগা থেৎলিবসিবু থেৎফমথোকপরা। অহংবা খঙনবা খুদম থমদ্রিবাসিপা উখুম পিবিনবা কনাসু লৈত্রি। হৌজিক ঙাইহাক্তা ঙাইরে চীঙ নিংখায়রে লম্বী স্লিপতারে নেচরেল ব্লোকেদ বন্দ থোরকলোই হায়নিংঙাই লৈতে।

খোংগং–খুৎকংবা মতমদা নবেম্বরদগীনা মাঠ এপ্রিল ফাওবদা চীংমাইদগী ওনথরক্কদবা নুংজাও অমদি চীঙ লৈবাক কয়া মচানা রিফত্তিং তৌদুনা নোংচুবদগী নিংখাইরক্কদবা কিন্থারক্কদবা কয়া লৈথোক হৌদবগী নোং লেপ্টনা চুথরকপা মতমদদি পুল্লপ তকথরক্তুনা লম্বী চৎপা য়াদদুনা অরি চেনথদুনা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া মমল লম য়ৌনা তাংখৎলকই। মতাংসিদা নোংমগী হিংনবা লান থেঙনরি হেন্দতু মাউথ হায়রিবা অসিনিকা হেন্না ৱাগদৌরিবসি। মসি চহি কয়া লিশাং শিংনা থেংনদুনা লাকখ্রবনি। ভোটকি মতমদা চাদা ৬০–৭০–৮০ থাদরে হায়রিবসিসু চাদা ৮০ ওইরিবা লাইরবগী লৈইদদি লাম্থোকপা ঙমদ্রিবা অদুগুম্বা কয়ানি হায়জনিংই। লাইগী লৈপাক্কিনা লাইনা মচা মনাইশিংবু ৱাদনবা নোং ৱাৎলে নোং চুহল্লি। থাও থুমদি নোংনা পুরকপা ঙমবরা। শোই অমা তৌবিবগী ফাইল অমা শুবিবগী ক্লাই য়েন্টনা ৱা খঙবিদা লুপা ৫০০–১০০০ চৎপি নোট থাদবা ঙম্বা ৱাখঙবা মতমসিগী মহাশয়শিংগী শেন্দাল লম্বী লৈবা মখোয় অদুগীদমক্তদি মমাং লৈকাই থম্বাল শাৎপা। অদুগা মনিং লৈকায়দগী শাৎলক্কদৌরিবসি মপু খঙদবা বোম, মপু খঙদবা নোংমৈ মরু অশি খুবাক খুনমগগুম পৈশাগী মমাই অনি পানবগুম। লাইগী মচাগী হৌনবি লাইগী শোয়দনবা লাইগীমিংদা মমিংদা ওইনা তৌথোরকপা অসিননি প্রোব্লেম অমত্তা শোলভ তৌবা ঙমদ্রিবসি। ঙমসু ঙমখিরোই ভোটরসু অহিংবা পুন্সিরোল অমদা ভোটপিবা ঙমদ্রি।

ভোটনা ইলেক্টেট তৌরে হায়বা মীয়াম্না খনবা হায়বসি তৌগদবা খন্নবনী শম্না ভোট কারবা মখোয়শিং অসি চাওখৎপগা শম্নদ্রি। ৱাফম অসি কৈদৌঙৈদসুওইথোকখিরোই। মরমদি হৌজিক্কি থোক্লিবা প্রোব্লেম পুন্নমক চাওখৎপনা পাউখুম পিগদবনি।

মসি পুন্নমক মখোয় কনামত্তনা খঙশিন উশিন্নদ্রি। ভোটরশিংনা ঈভোলুশন্দা য়ুম্ফম ওইবা সোসিয়েল সাইন্স খঙদ্রিবমখৈ, কেঞ্জেং কোকফায়গুম মশাগী পুদবা য়াদবা প্রোব্লেমগুম মনঙ্গনদা কোঞ্জেং কাকফাইনা মরুম মপুবগুম প্রোব্লেম মনঙ্গন্দা পোদুনা শিবা ঙাইদুনা অশি লম্বী পাংখিবা তাবা।

# কংলা লাইফমদা, কংলা তাইরেন মখোঙগী নুঙ

**হন্দক দিপার্টমেন্ট ওফ আর্কিওলোজি, কংলা গী রিলিজিওস কমিটি না “কংলা তাইরেন মখোঙগী নুঙ” কনাগুম্বা লোইশঙ অমগী অপাম্বগী মতুং ইন্না “ নুঙদুবু ফুক্তুনা ইরাৎচগে ” হায়না ফোংদোরকপদগী লাইফমসিগী আর্কিওলোজিনা মীয়ামগী মট লৌবতা নত্তনা অকক্লবা মতম পিদুনা মরিলৈনবা চে–চাংশিং পিশিনবীয়ু হায়না অমুক নৌহৌননা হৌখিবা খবরগী পাউ–চেশিংগী খুৎথাংদা (২০–০৪–২০১৪ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎ, হুয়েন–লানপাউ) ফোংদোরকপদিঃ**

মণিপুর সরকারনা লৈপাক মীয়ামগীদমক আর্কিওলোজি দিপাটমেন্ট বু কংলা লাইফমগীদমক য়েংশিন্দুনা ঙাক শেননবা থম্বদি দিপাটমেন্ট না “কংলা লাইফমগী মৈহৌরোল পুৱারি মশক খঙদ্রে” অমদি মতম মতমগী স্কোলর কয়াবু খোমজিন্দুনা দিপার্টমেন্টনা থল্লীবা “কংলা রিলিজিওস কমিটি” নসু লাইফম অসিবু “লৈপাক মীয়ামগীদমক অশেংবা অমদি অচুম্বা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌদ্রে” হায়বসি হায়মনবা থোক্লোইদ্রা মীয়াম্না চীংনদবা ঙমদে। ৱাফমসিদা নিংশিংবা য়াবদিঃ

হৌখিবা তাং ২৮–০৩–২০০৪ ইংদা খবর পাউচেশিংগী খুৎথাংদা “হান্না লৈজরম্বা মোনুমেন্ট কায়হন্দনা কংলা লাইফম শেমগৎ–শাগৎলনি। কংলা তাইরেন মখোঙগী নুঙবু হোংদোক হোংজিন তৌরগনি” হায়না মমাংথক্তা আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট না ফোংদোকখিবা ৱাফম লৈখ্রবনি। চহি ১০–১১ মনুংদা অমুক আর্কিওলোজি না মমাংথক্কি ৱাফমগুম্না হন্দকসু মীয়ামদা ফোংদোরকপদি মণিপুর সরকারগী আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টনা মতমদুগী ফাইল অমদি খবর পাউচেশিংগী মমল য়াম্লবা রেকোর্ট মাংখ্রাবসু, মীয়ামদি মতমদুগী শেংলবা পাউ–চে খবরগী অহকপা রেকোদ মাংবা লৈত্রি। মতমদুগী অখঙ–অহৈ কয়াগী অমদি লৈপাক মীয়ামগী ইশুদা লোইশঙ কয়ানা “কংলা তাইরেন মখোঙগী নুঙ মফম হোংদোক – হোংজিন তৌবা য়ারে” হায়না অথিংবা থমখিবা পাউ–চে, ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংগী অরেপ্পা ৱাফম্বু আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট না তরাইনা লৌবদি দিপার্টমেন্ট কী লেমজদবত নৎতনা মীয়ামদা অতাক অফোংনবশুম থোক্লবরা। মরি লৈনবশিংদা চীংনদবা ঙমদে। অমরোমদা

“কংলা লাইফমগী মৈহৌরোল পুৱারি” আর্কিওলোজি না শুকখঙ খঙদ্রবরা। লাইফমগীদমক লৈরিবা “কংলা রিলিজিওস কমিটি ” না মীয়ামগীদমক লাইফমসিগী চৎনলোনবু নৈনদবরা? দিপার্টমেন্ট গী মমল য়াল্লবা ঙসিগী স্কোলর মঙ মঙদুনা লৈরবরা? মমল য়াল্লবা মীয়ামগী কংলা লাইফমদা মরি লৈনবশিংগী থৌওংসিনা তাকপদি কংলা লাইফমগী মৈতে লোল আর্থ মশক খঙদবা কয়ানা পুনশিন্দুনা লৈপুং ৱারিদা মতম মতমগী ঈশুবু মাইপুনবনি হায়বসি লাল্লগদ্রা মরি লৈনবশিংদা মীয়াম্না হংজনিংই। মতমদুগী মীয়াম্না পাম্নখিদ্রবা ৱাফম হায়বসি দিপার্টমেন্টনা নৌনা হঞ্জিল্লকপগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈরোইদ্রা হায়বসিসু অরুবা ৱাফম অমনি মরি লৈনবশিংদদি ??

পুন্নমকশি তেনশিল্লগা মীয়ামগীদমক ৱাহৈ অমত্তং লাইফমগী মরি লৈনরিবা আর্কিওলোজি না কংলা লাইফমগীদমক ফোংদোকপিরক্কনি চাউনা মীয়াম্না থাজবা থমজরিঃ–

১) গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর গী (১) আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট, (২) কংলা রিলিজিওস কমিটি অমদি (৩) লাইফম অসিগী লেংদনা লৈরিবা ঙসিগী স্কোলর শিংনা কংলা লাইফম অসি “মণিপুরি জাতি খুদিংক্কী অপুনবগী শক্তমদা প্রজাশিংগী অপাম্বাগী মতুংইন্না হান্না নৈজরম্বা মৈহৌরোল পুৱারিগী অশেংবা শক্তমবু মাংহন্দনা তুংগী মীরোলগীদমক ঙসিগী মরি লৈনরিবা শিংনা শেমগৎ–শাগৎপিগদৌরিব্রা? নত্রগা,

২) আর্কিওলোজি, রিলিজিওস কমিটি, স্কোলরশিংনা ইলেক্সনগী মীয়মগী ৱারেপ্তা কংলা মরি লৈনবশিংনা তৌফম থোকপা ওইরবদি, হৌখিবা চহি ২০০৭, ২০০৮, ২০০৯ ইংদা, পাউ–চে খবরশিংগী খুৎথাংদা নৎতনা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া কয়াদা ফোংদোক্নখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা তেন্তক্লা –

ক) কংলা লাইফমগী লাইফমশিং মশক তাক্লগনি?, খ) পাখঙবা কংলা মেন শারগনি?, গ) কংলা লাইফম গুনা শারগনি?, ঘ) লাইফমগী মরিলৈনবা দিপার্টমেন্ট শিংনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওহোকপিয়ু? ঙ) জতি খুদিংমক্লা খুরুম্বা য়াবা, সলাই অপুনবগী পাখঙবা মেন উরেপ তম্লগনি হায়না মীয়ামদা খঙহনখিবা পাউ–চে মেদিয়াশিংগী শেংলবা মতদুগী ৱারোল মণিপুর সরকারগী মরি লৈনবশিংনা কংলা লাইফমদা মীয়ামগীদমক থবক্তা কদাই ফাওবা ওহোক্লবগে প্রজাশিংনা হংজনিংই? তৌফম থোক্তবা ওইরবসু দিপার্টমেন্টগী মাইকৈদগী ঙসি ফাওবদা করিগুম্বা মরি লৈনবা ৱাহৈ অমত্তা মীয়ামদা খঙহনখিবসু লৈতে হায়জনিংই? মতমদুগী মীয়ামগী মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট কী থবক ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৌশিন্দুনা খাংবদি কংলা লাইফমসি মীয়ামগী ওইদ্রে হায়বসিদা চিংনরিব্রা?

কংলা লাইফমগী শেমগৎ–শাগৎলকখিবা থবকশিংগী মনুংদা শিনথানিংঙাই ওইবা অমদি মীয়াম্না অঙকপা মরম অমত্তং হায়রবদি –

হৌখিবা চহিচা ২০০৪–০৫ ইংদগী হন্দক্কি চহি –২০১৪ ইং, পুন্না চহি ১০,১১ ফাওবসিগী মনুং মচেৎ মকাইগী অচোইবা লাইফম খরা মশিং হেনগৎপা নৎতনা হান্নগী লৈজরিবা মাইকৈ খুদিংগী মচি–মচিদা লৈরিবা ১) উখোঙ ৱাখোঙগী লাইফম,২) লৈকুৎ–লৈরাইশিংগী খুভম, ৩) নারক–মঙশোং কয়াগী শঙলেন অমদি ৪) খোই উপু মানবা খরাদা অরুবা খুভমশিংদি ঙসি ফাওবা হোংবা লৈতে। য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়া চঙনা চহি ১০,১১ চঙনা শেমগৎলকখিবা কংলা লাইফম, পাখঙবা শঙলেন শঙ্গাখ্রবসু মীয়াম্না খুরুম্বা চঙনদবা, লাইচোই–তিনচোই মচিগী খুভমদা মী পুনবা হায়বসি করিগুম্বা অমদি চিংনদবা ঙমদে। চোইথোক্তুনা লৈরিবা মাইকৈ খুদিংগী শেংলবা খুভমশিং পুনশিন্দুনা মশক থোক্লা অমখক্তং তরু–তনান্না কংলাদা লাইফম ওইনা থম্বা ঙমদবা হায়বসি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট স্কোলরশিংগী লাইবক থিবনি হায়নিংই ।।

**অরোইবদা থমজনিংবদি ঃ–**

মীয়ামগী খঙনা য়ান্নরিবা ৱাফমদা, প্রজাশিংনা পাম্নবগী মতুং ইন্না মৈহৌরেনগী অশেংবা পুৱারিগী হৌরকফম মশক তাক্তুনা, তুংগী মীরোন্দা ঙসিগী মীরোলনা ইপা–ইপুগী ফংঙমদ্রবা লিক্লম্বু তাইবঙ সলাইনা অথোইবনি মশক তাক্লবা মণিপুর সরকারগী আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট, রিলিজিওস কমিটি অমদি স্কোলর কংলানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাইফম হেন্না মশক থিহল্লিবা দিপার্টমেন্ট কী মাইকৈ খুদিংগী লাইফমগী খুভমশিং পুল্লপ পুনশিন্দুনা মপু অমখক্কি শেংলবা লৈকোনগুম কংলাদি লাইফমনি মশক তাক্লবা মরি লৈনরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্কিওলোজি না হোৎনবদি মীয়ামগীদমক চাউথোকচনিঙাইনি হায়জনিংই ।।

*মৈস্নাম অনিলকুমার সিংহ,*
*হৈরাংগোইথোং য়োঙাম লৈরক, ইম্ফাল।*

# শ্রীশ্রীজগন্নাথ ক্ষেত্রগী রথ যাত্রা

শ্রীশ্রীজগন্নাথ ক্ষেত্রগী মন্দির অসি ভারতবর্ষগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা পুন্নমক্তগী হেনবা ধর্ম্মগী ওইবা মন্দির (লাইশঙ) অমনি। ক্ষেত্র নিলাচলদা চহি খুদিংগী কায়বা লৈতনা রথ যাত্রগী অচৌবা কুম্ভে (উৎসব) অসি পাংথোক্তুনা লাক্লি, হৌজিকসু পাংথোক্লি। জগবন্ধুগা লোয়ননা সুভদ্রা অমসুং বল্লভদ্র অহুম্না লেংশিল্লিবা মন্দির অসি পুরিগী সমুদ্র খোঙবান্দা লৈ। উৎসব অসি চহি চা কয়াদগী পাংথোক্তুনা লাক্লি।

মমাংঙৈগী মতমদা কলিঙ্গ, হৌজিক্লা উরিয়া হায়না খঙনরিবা লৈপাক অসি খৃষ্টগী ৪শুবা চহিদা মৈত্রবাক্তা খাবা লৈরেন খৈনা লাই হরাওবা হৌখিবা মতমসিমক্তদা ইন্দ্রদ্যুম্ননা উরিষাদা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মী। মহাক বিষ্ণুবু য়াম্না থাজবা মীশক অমা ওইরম্মী। ইন্দ্রদ্যুম্ননা কৃষ্ণগী উপাসনাগী মরমদা জড়াগী মফমদা তাজরবদা পুরীদা লৈবা ঘমেশ্বর মহাদেবদা পুজা কৎচরবগীতুংদা সমুদ্রদগী চাওরাক্লা মাইল অমরোম অৱাংদা চৎলগা লম্বীগী লৈমায়দগী ফুট ২১৪ ইঞ্চি ৮ ৱাংবা “নীলগীরি” হায়রিবা চীংথক অসিদা মন্দির শাবা লোইখি। মন্দির অসি মথাং অনি থোক্লা লানবনগুম্না চেকপল খাই। মপান থংবা চেকপলগী মমিংনা “মেঘনাদ” কৌই। মনুং থংবা চেকপলগী মমিংনা “কুর্ম্মবেদ” কৌই। মপাল থংবা চেকপলগী পাকচাউবা ফুট ৬৬৫ X ৬৪০ নি অদুগা মনুংগী চেকপলগী পাকচাওবা ফুট ৪২০X৩১৪নি। মন্দির অসিগী থোঙ মরি পাল্লি। মদুদি ঃ–

*– হাওবম ইবোচাওবা –*

১। সিংহদ্বার – নোংপোক থংবা সনথোং – নোংশা (ধর্ম্ম)

২। হস্তিদ্বার – অৱাং থংবা সনথোং – শামু (অর্থ)

৩) ঘোড়দ্বার – খা থংবা সনথোং – শগোল (কাম)

৪) ব্যাঘদ্বার – নোংচুপ থংবা সনথোং –কৈ (মোক্ষ)

মন্দিরগী মথক্তা “নীলচক্র” লৈ। মদুগী খ্বাইগী মতোন্দা ফিরাল অমা থেৎলি।

মহারাজনা মন্দির অসিদা করম্বা ঈশ্বর লাৎকদগে হায়বগী ৱাখলদা নুংবঙননা লৈবা উরবদা জড়ানা মহারাজগী মফমদা মখাগী ৱারি অসি লিদুনা তাহনজখি। কৃষ্ণ চতুর্দশী নুমিৎকী নোংনা কুপশিল্লক্লবা থামম্বা নুমিৎ অমদা মৃগয়া (শাদানবা) চৎপদা জগৎকী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণনা উ অমগী উশা অমদা পোত্থাদুনা লৈরমখি। নোংথাং কুপ্পগী মঙালদা ইবুংঙোগী খোংয়া থম্বালবু শজিগী মনা ওইররোই নিংদুনা ঐনা তেন্না থাখি। খুদক অদুমক্তদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ স্বর্গাহন ওইখি।

ইবুংঙোনা নোঙ্গাখ্রবাতুংদা পোৎলোইনবা (সংস্কার) গীদমক লৈহৌরিবা মহাক্কী শাগেগী অমসুং মরী মতা পুন্নমক্লা মুন্নরম্মী। খৎনা চৈনবা অসিবু তাইশিন্নবগীদমক অর্জুন অমসুং জড়ানা মীয়ামদগী য়াম্না থাপ্লবা সমুদ্র মপালগী “কৈবল্য” হায়রিবা মফম অসিদা ইবুংঙোগী হকচাংবু পোৎলোইখি। ভগবান কৃষ্ণগী থোল্লিবা ফিজেৎ লৈতেং ইন্দ্রমনি অসিবু শাবরশিংনা ইবুংঙোমক্লি খন্দুনা অমদি মনি অসিবু “নিলমাধব” কৌনা পুজা তৌদুনা থমজখি। পোৎলোইবদা তুম্না চাকহৌদ্রবা লেমহৌবা শরুক অদুনা (দারু) উ ওইনা অকিবগী মশক্লুম ঙমখৈ নাইদনা পাক চাওখ্রবা সমুদ্রদা তাওদুনা লৈখি। সমুদ্রদা তাওথরক্লিবা মৈনা লোইনা মথং মথং ....